ষ্টেট বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭

# মিনিদা এ এম ৱাই সী, কে ৱাই এস য়ু, ৱাই এম দি ও, আই জি ও, সভেন ষ্টার মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএসন্না শিল্লগা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা ১৬শুবা মিনি, ১৬শুবা সব জুনিয়র, ৩৭শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস অমসুং সেনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন ষ্টেট বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী মিনিগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ এম ৱাই সী, কে ৱাই এস য়ু, ৱাই এম দি ও, আই জি ও অমসুং সভেন ষ্টার মায় পাকখ্রে। অদুগা জুনিয়রগীদনা এস দি সী, এন ৱাই ভি এ, বাখে ভি সী (এ), ৱাই এম দি ও অমসুং এস দব্লিয়ু ৱাই সী মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হুমনি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ১৬শুবা মিনি ষ্টেট বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবদগী এস দি সী শমুরৌ অমসুং এ এম ৱাই সী অন্দো শান্নখি। মেচ অদুদা এ এম ৱাই সীনা এস দি সীবু ২৫-১৭, ২৫-২০ (২-০) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতনা আর ৱাই সী কৈবি অমসুং কে ৱাই এস য়ু কাইরেনবিখোক শান্নখি। মেচ অদুদা কে ৱাই এস য়ুনা আর ৱাই সীবু ২৫-১৯, ২৫-২০ (২-০) দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতনা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গৈইথোং অমসুং কে ৱাই ভি এ খোইজুমান শান্নখি। মেচ অদুদা ৱাই এম দি ওনা কে ৱাই ভি এবু ৩১-২৯, ১৮-২৫, ১৫-১২ (২-১) দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচতনা আই জি ও ওইনাম অমসুং কে ৱাই এল সী এল কাচিখুল শান্নখি। মেচ অদুদা আই জি ওনা কে ৱাই এল সী এলবু ২৫-১৭, ২৫-২২ (২-০) দা মায়থীবা পীখি। মিনিগী ঙসিগী অরোইবা মেচ ওইনা সভেন ষ্টার লাইখোং অমসুং ৱাই পি এ হিরানমৈ শান্নখি। মেচ অদুদা সভেন ষ্টারনা ৱাই পি এবু ২০-২৫, ২০-২৬, ১৫-১২ (২-১) দা মায়থীবা পীখি।

৩৭শুবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসিগী অহানবা মেচতা আই জি ও ওইনাম অমসুং এস দি সী শমুরৌ শান্নখি। মেচ অদুদা এস দি সীনা আই জি ওবু ২৫-২২, ১৮-২৫, ১৫-৯ (২-১) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গৈইথোং শান্নখি। মেচ অদুদা এন ৱাই ভি এনা ৱাই এম দি ওবু ২৫-১৪, ২৫-২০ (২-০)দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতা এম কে সী এস ৱাই এ মরাম অমসুং বাখে ভি সী (এ) সনাকৈথেল শান্নখি। মেচ অদুদা বাখে ভি সী (এ) না এম কে সী এস ৱাই এবু ২৫-২২, ২৫-২১ (২-০) দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচতনা এন ৱাই দি সী খাইদেম অমসুং ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গৈইথোং শান্নখি। মেচ অদুদা ৱাই এম দি ওনা এন ৱাই দি সীবু ২৫-১৭, ২৫-২২ (২-০) দা মায়থীবা পীখি। জুনিয়রগী ঙসিগী অরোইবা মেচতনা এস দব্লিয়ু ৱাই সী শান্তিপুর অমসুং বাখে ভি সী (বি) শান্নখি। মেচ অদুদা এস দব্লিয়ু ৱাই সীনা বাখে ভি সী (বি) বু ১৯-২৫, ২৫-২০, ১৫-১৩ (২-১) দা মায়থীবা পীখি।

# নৌনা শেমদোক শাদোল্লবা খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রাম য়ুনিয়ন কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখ্রে




ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী শান্ন-খোৎনববু থাক ৱাংখৎহন্নবগী পান্দমদা নৌনা শেমদোক শাদোল্লবা খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রাম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

রিভেম্প খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রামগীদমক কুমজা ২০১৭-১৮দগী কুমজা ২০১৯-২০ ফাওবগী ওইনা লুপা ক্রোর ১৭৫৬ শীজিন্নবগী অয়াবসু পীখ্রে। খেলো ইন্দিয়াগী নৌনা শেমদোক শাদোল্লবা প্রোগ্রাম অসি কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখিবা অসিনা ইন্দিয়ন স্পোর্টসকী পুৱারীদা ৱাটরসেদ মোমেন্ট ওইহৌরগনি।

প্রোগ্রাম অসিনা স্পোর্টসপু মেইনষ্ট্রিম লাইন্দা পুরকপদা খুৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরগা ইন্দিভিজুএল, কম্যুনিতি, ইকনমিক অমসুং নেসনল দিভলপমেন্ট লাকহনবদা মতেং ওইহনগদৌরি। শেমদোক শাদোল্লবা খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসিনা শান্ন-খোৎনবগী ইকোসিষ্টেম অসিদা অচৌবা ইম্পেক্ট অমা পীগদৌরি।

য়ুনিয়ন কেবিনেট মীফম অসি লোইরবা তুংদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজা বর্দন সিংহ রাথোরনা হায়খি, লৈবাক অসিদা শান্ন-খোৎনবগী থাক অসি হীরম খুদিংমক্তা ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবা ওইনা খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসি য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ঙসি এপ্রুভ তৌখিবনি। নৌনা শেমদোক শাদোক্তুনা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌরবা খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসিগী কুমজা ২০১৭-১৮দগী কুমজা ২০১৯-২০ ফাওবা ইষ্টিমেট কোষ্টনা লুপা ক্রোর ১৭৫৬নি। নৌনা শেমদোক শাদোল্লবা খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসিনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, কম্যুনিতি স্পোর্টস, শান্নরোয়শিংগী হৈশিংবা খঙদোকপা, চাংদম্নবশিংগী ফীভম য়াওনা শান্ন-খোৎনবগী ইকোসিষ্টেমদা ইম্পেক্ট অমা শোয়দনমক্কী পীরগনি। মসিনা ইন্দিয়ন স্পোর্টসকী পুৱারীদা কাউণ্ডল্লরোইদবা অওনবা অমসু শোয়দনা লাকহল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ২০ হাংদোক্তুনা শান্নরোয়শিংদা মহৈ-মশীন তম্বগী খুদোংচাবা ফংহনবদা নত্তনা শান্ন-খোৎনবদা হেন্না মপুং ফানা চাংদম্নবা ঙম্নবা খুদোংচাবা ফংহনগদৌরি। মসিগীসু মথক্তা লৈবাক অসিগী লৈরিবা মীয়াম্নু মশা মউ ফবা পুন্সি মহিং অমদা হিংহন্নবসু হোৎনগদৌরি। চহী ১০দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা লৈবাক অসিগী অঙাং মিল্লিয়ন ২০০ বসু মশা মউ ফনা লৈহন্নবা চথুগদবা দ্রাইভতা য়াওহনগদৌরি।

দিষ্টর্ব এরিয়াশিংদা লৈরিবা নহা ওইরিবশিংবু শান্ন-খোৎনবগী থবক থৌরমশিংদা হেন্না শরুক য়াহন্নবা পান দমসু থল্লি হায়রি।

অহানবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন এন্দ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ

# নুপাগীদা হোকি য়ুনিয়ন অমসুং নুপীগীদনা পি ঐচ এ এম ইম্ফালনা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস): মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক এষ্ট্রোটর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা অহানবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন এন্দ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেচতনা হোকি য়ুনিয়ন (ঐচ য়ু) লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং নুপীগীদনা পি ঐচ এ এম (ফাম) ইম্ফালনা মায় পাকখ্রে।

অন্দর ১৪-মেনগী ৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল হোকি য়ুনিয়ন (ঐচ য়ু) লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং টি ঐচ এ আই (থাই) থাংমৈবন্দ শান্নখি। মেচ অদু ঐচ য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকায়না লাকচরপ তৌনা শান্নখি। মেচকী অহানবা মিনিটতা হোকি য়ুনিয়নগী পি সাইরসনা গোল অমা চন দুনা মেচ অদু য়াম্না ঙন্না মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। মসিগী মতুং মেচকী ৩শুবা, ৮শুবা, ২১শুবা অমসুং ২৭শুবা মিনিটতা হোকি য়ুনিয়নগী কে এস নিকোলিন্না গোল ৪ চনখি। অদুগা মেচকী ৩৮শুবা মিনিটতা হোকি য়ুনিয়নগী এম কিশ্বরচন্দ্রনা গোল অমগা চনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা থাই থাংমৈবন্দগী মায়কৈদগী গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু হোকি য়ুনিয়ন্না থাইবু গোল ৬-০দা মায়থীবা পীখি।

অন্দর ১৪-ৱিমেনগী ৩শুবা মেচতনা আইদিএল তেরা বজার অমসুং পি ঐচ এ এম (ফাম) ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদুদা পি ঐচ এ এম ইম্ফালনা আইদিএল তেরা বজারবু গোল ৫-০দা মায়থীবা পীখি। পি ঐচ এ এম ইম্ফালগী মায় পাকপগী গোল ৫ অদু টিম অসিগী কেপ্তেন জর্সি নম্বর ১১ কে ঐচ সিলৈমনা মেচকী ৩শুবা, ৯শুবা অমসুং ১৫শুবা মিনিটতা গোল ৩ চনখি। অদুগা জর্সি নম্বর ১৩ কে সিলভিয়ানা মেচকী ২৪শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১২ দব্লিয়ু রোমিতানা মেচকী ২৫শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।


## ষ্টেট লেভেল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা পাঙম্বা বোদি বিল্ডিং এন্দ পৱরলিফটিং ত্রেনিং সেন্তরনা শিন্দুনা ৫শুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র, সেনিয়র অমসুং মাষ্টরস (মেন এন্দ ৱিমেন) পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ ইবুধৌ চীংজিল নারিল পাঙম্বা কম্যুনিতি হোল কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা পাঙথোল্লগনি হায়না ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র, সেনিয়র, মাষ্টরস (মেন এন্দ ৱিমেন) পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা লিফটরশিংনা ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি নৎত্রগা পাঙম্বা বোদি বিল্ডিং এন্দ পৱরলিফটিং সেন্তরদগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি। লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লাক্লিবা ওক্টোবর ২২দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা শরুক য়ারুনবা লিফটরশিংগী ত্রাইএল সেলেক্সনসু চেম্পিয়নশিপ অসিদা পাঙথোক্কনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

১৭শুবা ষ্টেট লেভেল স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কম্পিটিসন ২০১৭

# ফাইনেলগীদমক ক্লাইম্মরশিং শেম শান্নখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস): মণিপুর স্পোর্ট ক্লাইম্বিং এসোসিএসন্না শিন্দুনা মিনুথোংদা লৈবা কংলা রোক ৱালদা চথুরিবা ১৯শুবা ষ্টেট লেভেল ক্লাইম্বিং কম্পিটিসন ২০১৭কী স্পিদ ইভেন্টকী ফাইনেলগীদমক ক্লাইম্মরশিং শেম শান্নখ্রে।

স্পিদ ইভেন্টকী মেন’স ওপন কেটাগোরিগী সেমী ফাইনেলদা কে সুরজিৎনা অহানবা, এম দি সোহেল খান্না অনীশুবা, এম দি মিনাইসিম মরিংনা অহুমশুবা অমসুং এল দিপক্লা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

স্পিদ ইভেন্টকী জুনিয়র বোইজ কেটাগোরিগী সেমী ফাইনেল রাউন্দদা এম চীংখেঙানবনা অহানবা, টি ঐচ বোইনাওনা অনীশুবা অমসুং এন নন্দকুমারনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা সব জুনিয়র বোইজকী সেমী ফাইনেল রাউন্দনা এম দেভিদনা অহানবা পোজিসন তাখি।

## ঙারিয়াম্বম কুল্লচন্দ্র মেমোরিএল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম জি দব্লিয়ু এ) গী মিৎয়েং মখাদা বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট (বি বি এ আই দব্লিয়ু দি) না শিন্দুনা পন্দিট অচৌবা ঙারিয়াম্বম কুল্লচন্দ্র মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২১দা ময়াংলাংজিং ইবুধৌ কৌব্রু কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কদৌরি।

নুমিৎ অসিদা লৈবাক্কী অথিংবা অমদি বন্দনচিংবা লৈরবসু কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপগী অয়াবা পীবিয়ু। মরমদি কম্পিটিসন অসিগীদমক প্লেয়রশিংনা থা ৩গী মমাঙদগী শেম শাদুনা লাকচবনি। শান্নরোয়শিংগী য়েংবিরগা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২১দা কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপগী অয়াবা পীবিয়ু হায়না বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা আপিল তৌরক্লি।

# ১৫শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা ঙসিদগী ১৫শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ হৌদোকখ্রে।

১৫শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ হৌদোকপগী অহানবা মেচতা জে ৱাই সী অমসুং পি ৱাই সী ফাইটোল শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্লা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। পি ৱাই সী ফাইটোলনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা জে ৱাই সীনা বোল কাওবা হৌখি।

টিম অনীমক্লা মেচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্লা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। মেচকী ৩০শুবা মিনিটতা জে ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৩ লিলদিতুম্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চনখি। লালদিতুম্না চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু জে ৱাই সীনা মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৪২শুবা মিনিটতা জে ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৬ ভুরথাংপুনা মেচ অদুগী অনীশুবা গোল চনখি। ভুরথাংপুনা গোল অমা অমুক চনশিল্লকখিবা অদুদগী জে ৱাই সীনা মেচ অদু গোল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পি ৱাই সী ফাইটোলগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরল্লবা মতুংদা পি ৱাই সী ফাইটোলনা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক কয়া চথুরকখি। মেচকী ৬৮শুবা মিনিটতা পি ৱাই সী ফাইটোলগী জর্সি নম্বর ১৮ জেকোবনা গোল অমা হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-২দা লৈহনখি। মখা তানা পি ৱাই সী ফাইটোলনা জে ৱাই সীগী অনীশুবা গোল অদুসু হন্দোক্লবা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৮৭শুবা মিনিটতা পি ৱাই সী ফাইটোলগী জর্সি নম্বর ৪ শংবোইনা অনীশুবা গোল অদুসু হন্দোক্তুনা পি ৱাই সী ফাইটোল অমসুং জে ৱাই সী গোল ২-২দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্লা অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী পি ৱাই সী ফাইটোল অমসুং জে ৱাই সী গোল ২-২দা ড্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্তা, এসোসিএসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস মনিতোন অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী দোনর টি ঐচ জয়কুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি দোনর ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসি জিরিবামগী বাবুপড়াদা লৈবা টি ঐচ জয়কুমারনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপগী মমিংদা কৎপা ত্রোফিনি।

তোঙান তোঙানবা টিম ৬না শরুক য়ারগা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ১৫শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা হয়েং ইচেল ক্লব দিবোং অমসুং এল এফ সী শান্নগনি।

১২শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# নাওবনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোলনা লসালনা থাসকোবু মায়থীবা পীখ্রে



বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রান্দদা চথুরিবা ১২শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নাওবনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোলনা লসালনা থাসকোবু মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী টি ঐচ এ এস সী ও (থাসকো) খা খুনৌ অমসুং এল এ এস ঐচ এ এল (লসাল) লৈমপোকপম শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্লা য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফতদি টিম অনীমক্লা য়াম্না লম্বা চানা শান্নখি। অয়াম্বা মতমদা বোল অদু গ্রান্দগী ময়ায়দা পাস তৌনদুনা লৈখি। মেচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্লা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখিবনা থাসকো অমসুং লসাল গোল ০-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরল্লবা মতুং মেচকী ৩৫শুবা মিনিটতা লসালগী জর্সি নম্বর ১১ পি নাওবনা গোল অমা চনখি। নাওবনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু অনীশুবা হাফ হৌরল্লবা মতুংদা লসালনা মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। লসালগী মায়কৈদগী চল্লকখিবা গোল অদু হন্দোক্লবগীদমক থাসকোগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা এটেক কয়া চথুরকখি। অদুবু লসালগী মায়কৈদগী গোল অদু হন্দোকহন্দনবা য়াম্না ফজনা দিফেন্দ তৌরগা শান্নখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা থাসকোনা লসালগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু লসালনা গোল ১-০ দা মায় পাকখি। মেচ অদুদা থাসকোগী কে সুন্দর, লসালগী পি মনিস্না অমসুং রাজা গাংমৈ মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

অমরোমদা, ১২শুবা বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী মখা তাবা মেচশিং ষ্টেট অসিদা নোং কন্না তাবনা মরম ওইরগা গ্রাউন্দগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবদগী মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা মেচশিংগী শান্নগদবা মতম নৌনা অমুক লাউথোল্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ ইবোতোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।



HL-B/4077/8/7-17/8

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com